হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ০৯, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৫২শুবা মশীং

# থক্ক-চানবা টৌটি ঈশিং

## টেষ্ট তৌরগা মীয়ামদা পীননবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থবক লৌখৎলু

ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ২০২৪ ফাওবদা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খূদিংদা থক্ক-চানবা অফবা টৌটি ঈশিং ফংহন্ননবা জল জীবন মিসনগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। মণিপুর লৈঙাক্নসু জল জীবন মিসনগী মখাদা ষ্টেট অসিগী য়ুমথোঙ খূদিংদা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা টৌটি ঈশিং ফংহন্ননবা পান্দম থল্লি। অর্বান এরিয়াশিংগী ওইনা অর্বান ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট স্কিম ফোর স্মোল এন্দ মেদিয়ম টাউনস (য়ু আই দি এস এস এম টি)দগী শেন্থং লৌদুনা মীয়ামদা থক্কবা অফবা ঈশিং ফংহন্ননবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন্দগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯গী মার্চ ৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিগী রুরেল এরিয়াশিংদা লৈরিবা য়ুমথোঙ ক্রোর ১৭.৮৭ রোমগী মনুংদা য়ুমথোঙ ক্রোর ৩.২৭ রোমতমক হায়বদি খুঙ্গংগী য়ুমথোঙ চাদা ১৮.৩ রোমতমক টৌটি ঈশিংগী কন্নেক্সন লৈ। পুম্নমক অসিগী য়েংলগা লৈঙাক্না জল জীবন মিসনগী মখাদা য়ুমথোঙ খূদিংমক নোংমদা ঈশিং লিটর ৫৫/৫৫ ফংহন্ননবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি)না মণিপুরগী রুরেল অমসুং অর্বানগী মফম কয়াদা ৱাটর সপ্লায় স্কিম কয়া পায়খৎতুনা শেমগৎ-শাগৎলি। ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিং অসিগী ঈশিং লৌফম অসি অয়াম্বনা তোঙান-তোঙানবা তুরেলশিংদগী লৌবনি। তুরেলশিংদগী ঈশিং চিংখৎলবা মতুং ফিজিগ্রি (এল্যুম) হাপ্তুনা ফমথহল্লবা মতুংদা মহিক-মতায় হাৎননবা ব্লিচিং পাউদর অমসুং শুনু (লাইম) হাপ্তুনা প্রোসেস খরা তৌরগা মীয়ামদা অফবা ঈশিংনি হায়না পীরিবনি। অদুমকপু ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিংগী ঈশিং লৌরিবা তুরেলশিংদা চেল্লিবা ঈশিং অসি কয়া য়াম্না পোল্যুটেদ ওইরবগে হায়বদুদি য়েংশিনবা মান্দে। মফম খরদদি ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিংগী ঈশিং চিংখৎফম মনাক্তা ফিশু-ফিজাম তৌশিনবা, য়ুমগী অমাংশঙগী আউটলেটতগী থোরকপা ফত্ত-হাওদিশিংগী মচুম থাদশিল্লকপা, লৌবুক্তা হার চাইবগী, তিলহাৎ হিদাক, নাপী হিদাকনচিংবা কাপ্পগী মচুমশিং অদুনা তুরেলশিং অসিদা তাশিল্লক্লিবনি। অদুবু তুরেলদগী ঈশিংদি অদুমক চিংখৎলগা পুং খরাখক ফিজিগ্রি হাপ্তুনা ফমথহল্লবা মতুং ব্লিচিং পাউদর অমদি শুনুনচিংবা হাপ্লগা ঈশিং অদু লুহল্লবা মতুং মীয়ামদা টৌটি ঈশিংনি হায়না পীরিবা অসি মীয়াম্না থক-চাবা মতমদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইব্রা ওইদবরা হায়বসি মরী লৈনবশিংনা নীংথিনা য়েংশিনবগী মতৌ উদে।

রুরেল এরিয়াশিংদা ৱাটর সপ্লায় স্কিম কয়াদগী ঈশিং পীবগী মওং মতৌ অসিসু জল জীবন মিসনগী চৎনা-কাঙলোনশিং ঙাকপগী মমি তাদে। মিসন অসিগী চৎনা-কাঙলোন মতুংইন্নদি মীয়ামদা পীরিবা ঈশিং অদু থক্ক-চানবগী অফবা ঈশিং ওইব্রা হায়বদু পি ঐচ ঈ দিনা য়েংশিনগদবনি। ষ্টেট, দিষ্ট্রিক্ট, সব-দিভিজন, ব্লোক লেভেলদা লেবোরেটরিশিং থমদুনা অমদি মোবাইল ৱাটর টেষ্টিং লেবোরেটরিশিং থমদুনা মীয়ামদা ঈশিং পীদ্রিঙৈদা হান্না টেষ্ট তৌদুনা ঈশিং অদু মীওইবগী হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইব্রা ওইদবরা হায়বদু খঙদোক্কদবনি। হৌজিক হৌজিক টৌটি ঈশিং ফংদবা মফমশিংদা মীয়াম্না লন্নাই ওইনা ঈশিং লৈরগসু শীজিন্নরি। লন্নাই ওইনা লৈরিবা ঈশিং অদু কদায়দগী পুরকপনো হায়বদুদি হংনদে। লন্নাই মীওই কয়ানসু ৱাটর রিজার্ভর শেমদুনা ঈশিং য়োনবগী থবকশিং তৌনরি। লৈঙাক্কী ৱাটর রিজার্ভরদগী পীবা টৌটি ঈশিংবু ওইরো, লন্নাই ৱাটর টেঙ্করগী ঈশিংবু ওইরো মীয়ামদা ফংহল্লিবা ঈশিং অসি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইব্রা ওইদবরা হায়দুদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনফম থোকপনি। থক্ক-চানবা টৌটি ঈশিং অসি টেষ্ট তৌরগা মীয়ামদা পীননবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা থবক লৌখৎলু। মদুনা খুদোংথিবা থোক্লক্কদবদগী ঙাকথোকপদা অমদি মীয়ামগী হকশেল ফনা লৈহনবদা মতেং ওইগনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### হেন্তাক চাবনা হকচাংদা অমদি শেনমিৎলোনা কান্নবা পিরি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

চহী চা কয়াগী মমাংদগী মণিপুরগী য়ুমথোঙ খুদিংদা য়াম্না মরুওইবা চিঞ্জাক অমা ওইনা শীজিন্নরম্বা ঙাগী কুপসু (হেন্তাক) ঙসিদি খুঙ্গংগী অরাপ্পা মফম খরদা শীজিন্নবদা নত্তনা য়ুমথোঙ খুদিং চানদরে। হেন্তাক চাবনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পিরি। খুদম ওইনা হায়রবদা হেন্তাকতা প্রোটিন, নেচরেল ভিটামিন্স, এন্টি ওক্সিদেন্ট অমদি প্রোবাইওটিকনচিংবা হকচাংদা কান্নবা মচাক কয়া য়াওরি। লোয়ননা ঙারিগী মমলদগী হেন্তাক্কী মমলনা হোঙনা ফংবা মরম্না য়ুমগী শেনমিৎলোনদা অচৌবা কান্নবা পীবা হায়বদু ওইরি। চাওরাক্লা হৌজিক ঙারি কে জি অমদা লুপা ৫০০ পিরি অদুগা হেন্তাক কে জি অমদা লুপা ৪৫০ পিরি। মীওই মঙা চাবা ইমুংদা চহী অমদা চাওরাক্লা ঙারি কে জি ১২ শীজিন্নে অদুগা হেন্তাক শিজিন্নরগদি চহী অমদা শুপ্পগী হেন্তাক কে জি ৫ খক্তমক চঙগনি। লোয়ননা চহী অমদা ঙারি কে জি ১২ শীজিন্নরবদি লুপা ৬০০০ চঙলি অদুগা হেন্তাক কে জি ৫দনা লুপা ২২৫০ চঙগনি। মরম অদুনা শুপ্পগী হেন্তাক শীজিন্নবনা হকচাংদা কান্নবা কয়া পিবা খক নত্তনা শেনমিৎলোনদসু অচৌবা কান্নবা পীরি। মরম অদুনা লায়রবনা নম্না লৈবা ইরমদম অসিদা হেন্তাককী পোৎলম মরাং কায়না পুথোকপা তাঙাইফদবরা হায়না খল্লি।

লৈঙাক্লাসু খুঙ্গংগী অথাপ্পা মফমশিংদা হেন্তাক শেল্লিবা মফমশিং অসিদা শেন্থং কয়া পীবিদুনা মতেং পাংবিরবদি শুপ্পগী হেন্তাক্কী পোৎলম মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বা খক নত্তনা লৈঙাক্লা লমদম অসিগী নুপীশিংবু মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনরিবা থৌরাং-থৌশিল কয়াদসু অচৌবা মতেং অমা ওইদুনা লৈঙাক্লা মঙলিবা মঙলান অদু থুংবা ঙমগনি। লমদম অসিগী মহৌশাগা শাগোন্নরক্লবা হেন্তাক অসিবু চাদুনা ইমুংগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা চাওরবা থৌদাং লৌমিন্নবা য়াই।

*অদোমগী - থৌনাউজম সোবাসিনি, অন্দ্রো মমাং লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭

১) কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী লোলবু মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক অহানবা শকখঙবা মতমদুদা কনানা ইবা করি লাইরিকপু তম্ন-লাইরিক ওইখিবগে?

২) জোনষ্টোন স্কুলনা হায়স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) "ইনুংশোয়গী ঙাচিং" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা করি লোলদা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) "অরায়বা ৱারেং লাইরিক" হায়বসি কনানা করম্বা মীওই কাঙলূপকী করিগীদমক ইবনো?

৫) চহী ৫৩গী মমাঙদা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা উপন্যাসকী মমিংনি "লৈপুন", অইবাঅসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইলেক্ট্রোনিক্সকী লম্‌দা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্কদৌরিবা 'দার্ক এক্সাইটোন'

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

সেমিকন্দক্টর হায়বসি ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রোনিক্কী অপিকপা পোৎশিং - মেমোরি চিপ, ঘড়ী, এল ঈ দি, রিচার্জএবল লেম্পনচিংবদগী হৌরগা মোবাইল, স্মার্ট ফোন, লেপ টোপনচিংবা খূৎলায়শিং শাবদা য়াওদবা য়াদবা মচল অমা ওইরিবা পোৎনি। মমিংসিনসু তাকচরে মদুদি সেমিকন্দক্টর অসি ধাতুগুম্না করেন্ট ফজনা চেলহনবা ঙমদে অদুগা ধাতু নত্তবা ইলিমেন্ট অমগুম্নসু করেন্ট চেলহন্দবা তৌদে, হায়বদি অনীসিগী লংদাইদা লৈরিবা পোৎনি। ধাতু অমদা করেন্ট চেনবগা সেমিকন্দক্টর অমদা চেনবগা খেন্নে : ধাতুদদি ইলেক্ট্রোনশিংনা চেল্লি, অদুবু সেমিকন্দক্টরদদি ইলেক্ট্রোন অমসুং 'হোল' (ইলেক্ট্রোন য়াওদবা, পোজিটিভ চার্জ পুবা) অনীমক্না চেল্লি। অসিগুম্বা ওন্ন-তৈনবা চার্জ অনীসিনা চিংশিন্নে, অদুগা ইলেক্ট্রোন অমসুং হোলনা পুনশিন্নদুনা 'এক্সাইটোনশিং' শেম্লক্লগা পোৎতুগী মফম শিনবা থুংনা চেল্লি।

রেগুলর ওইবা সেমিকন্দক্টরশিংদা, এক্সাইটোনশিংসি শেম্লক্লবা মতুংদা নানোসেকেন্দ খরগী মনুংদা মাঙখি। মসিগীসু মথক্তা, অসুম্না য়াম্না কায়গনবসিনা, মখোয়গী মরমদা নৈনবা অমসুং মখোয়বু শেমদোক-শাদোক্তুনা হেন্না ফবা সেমিকন্দক্টর ওইহনবদা অরুবা অমা ওই। অদুবু চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা, সাইন্টিষ্টশিংনা এনর্জি হেন্না য়াওবা এক্সাইটোনশিংনা শেম্বা দাইমেন্সন অনীগী সেমিকন্দক্টরশিং পুথোকপা ঙমখি। 'ত্রাঞ্জিসন মেটল দাইকলকজেনাইদ মোনোলেয়র' (টি এম দি) হায়না খঙনবা সেমিকন্দক্টরশিংসিগী ষ্ট্রকচরসি গ্রাফিনগা মান্নে। মসিদা এটমশিংগী মরোল অমখক্তনা শেম্বা হেক্সাগোন ওইবা ক্রাইষ্টেল লেট্টিসশিং য়াওই। অসিগুম্বা মখলগী সেমিকন্দক্টরশিংদা য়াওরিবা এক্সাইটোনশিংদা তোপ-তোপ্পা অমসুং হেন্না ঙক্লিংঙাই ওইবা মগুনশিং চেল্লি; অদুনা মালেমগী মফম কয়াদা অনৌবা ওপ্টোইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং শেম্ননবগীদমক কন্না থিজিনবা হৌরকখি। হীরমসিদা থিজিল্লকখিবশিংগী মনুংদা ওকিনৱা ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি গ্রেজুএট য়ুনিভর্সিটি (ও আই এস টি) গী প্রোফেসর কেশভ দানিনা লুচিংখিবা থিজিন লূপ অসিসু অমনি।

মতম অদুদদি, এক্সাইটোনশিংগী মতিক-মগুন চপ চানা ওন্নবগীদমক মতিক চারবা টেক্নিককশিং লৈরমদবগী অৱাবা মায়োক্নখি। অদুবু, হৌজিক্তি থিজিন-লূপশিংনা ওপ্টিকেল স্পেক্ট্রোস্কোপি টেক্নিককশিং শীজিন্নরে। মখোয়সিগী মতেংনা মঙালগী করম্বা ৱেভলেংথশিং চুপশিল্লি, থক্তোরকই নৎত্রগা সেমিকন্দক্টর মেটরিএল অদুনা থাদোরকপগে হায়বদু ওল্লগা, এক্সাইটোনশিংগী এনর্জি ষ্টেটশিংদুগী মতাংদা মরু ওইবা ঈ-পাউশিং ফংহল্লি। অদুম ওইনমক, ওপ্টিকেল স্পেক্ট্রোস্কোপিনা এক্সাইটোনশিংগী শরুক খরখক্তগী মমি লৌবা ঙল্লম্মী।

সাইন্টিষ্টশিংনা অসুক কুইরকপসিদা খঙলকখিবদি 'ব্রাইট এক্সাইটোন' কৌবা মঙালগা ইন্টরেক্ট তৌনবা ঙম্বা এক্সাইটোন মখল অমখক্তমক লৈ হায়বসিনি। অদুবু 'দার্ক এক্সাইটোন' গুম্বা এক্সাইটোনশিংগী অতোপ্পা মখলশিংসু লৈরম্লি। দার্ক এক্সাইটোন অসিদা য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনশিং অদুগী মোমেন্টমদু মখোয়না পুনশিন্নরিবা হোলশিং অদুগী মোমেন্টমদগী খেন্নে। মসিনা মরম ওইরগা, মখোয়না মঙালবু চুপশিনবা ঙমদে। অতোপ্পা অমরোমদা হায়রগা, দার্ক এক্সাইটোনশিংদা য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনশিংগী মোমেন্টমসি ব্রাইট এক্সাইটোনশিংদা য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনশিংগীদুগা মান্নদে। মসিমক ওইদুনসু, দার্ক এক্সাইটোনশিংবু হকথেংননা উবা ঙমদে, অদুনা হকথেংননা থিজিনবসু ঙল্লমদে। অদুনা মখোয়সি কয়ামুক য়াম্না মরু ওইবগে নৎত্রগা মেটরিএলদুগী ওপ্টোইলেক্ট্রোনিক্কী মগুনশিংদা মখোয়না করম্বা অহোংবা থোকহল্লকপগে হায়বদু খঙনরমদে।

হীরম অসিদা থিজিন্নবগীদমক, সাইন্টিষ্টশিংনা মনীং তম্বা, অতোপ্পগা পুনশিন্নদনা লৈবা ইলেক্ট্রোন অমগী মরমদা নৈনবদা তোইনা শীজিন্নবা টেক্নিক অমবু শেমদোক্লগা শীজিন্ননবা হোৎনরকখি। টেক্নিক অসিনা, পার্টিকলশিংনা পুনশিন্নরগা শেম্বা, ইলেক্ট্রোনশিংসু ফাজিন্দুনা থল্লিবা এক্সাইটোনশিংগী মরমদা নৈনবদা কয়ামুক য়াম্না মায় পাক্কদবগে হায়বদুদি খঙদনা লাকখি। মসিগী মতাংদা সাইন্টিফিক কম্যুনিতিনা থিওরিগী ওইবা থবক কয়া পায়খৎখ্রে। মখোয়দুগী মরক্তগী ও আই এস টিগী থিজিন লূপ অসিনা শাগৎখিবা থিওরিগী মতুংইন্না, এনর্জি মতিক চানা য়াওরবা ফোটোনশিংগী মঙাল চবুল অমা সেমিকন্দক্টরদুগী এক্সাইটোনশিংদা য়ৈহল্লবদি, ফোটোনশিংগী এনর্জিদুনা এক্সাইটোনশিংবু থুগাইগনি অদুগা সেমিকন্দক্টর অদুদগী ইলেক্ট্রোনশিংনা চেন্থোরক্কনি হায়বসিনি। অসুম্না মেটরিএল অদুদগী চেন্থোরক্লিবা ইলেক্ট্রোনশিংগী মায়কৈদু খঙদোক্লগা, ইলেক্ট্রোনশিংনা এক্সাইটোনশিংগী মনুংদা লৈরিঙৈগী মোমেন্টমদু পুথোকপা য়াগনি। মসিনা এক্সাইটোনশিংবু উহনবা ঙম্বদা নত্তনা, ব্রাইট এক্সাইটোনশিংবু দার্ক এক্সাইটোনশিংদগী তোঙান্না খায়দোকপসু ঙমগনি।

অদুম ওইনমক, অসিগুম্বা অনৌবা টেক্নিক অমা পানশিনবদা টেক্নিকেলগী ওইবা অয়েৎ-অপন কয়ামুক্তি মায়োক্নবা তারম্মী। মরম অসিনা, থিজিন লূপ অসিনা এক্সাইটোনশিংবু থুগাইরগা মেটরিএল অদুদগী ইলেক্ট্রোনশিং চেন্থোরকপা ঙম্ননবগীদমক এনর্জি য়াম্না য়াওরবা অলত্রাভাইওলেট মঙালগী পলসশিং পুথোকপা ঙম্বা খূৎলায় শাখি। খূৎলায় অসিনা ইলেক্ট্রোনশিংগী মায়কৈ অমসুং এনর্জিবু ওল্লম্মী। এক্সাইটোনশিংগী মপুন্সিসি কা হেন্না তেনবনিনা, খূৎলায় অদুনা নানোসেকেন্দ লিশীং অমদগী তেনবা মতমগী মনুংদা মথৌ তৌবসু ঙমহল্লম্মী। অসিগুম্বা দাইমেন্সন অনীগী সেমিকন্দক্টরশিংবু ওনবা ঙম্বা খূৎলায় অসিনা ব্রাইট অমসুং দার্ক এক্সাইটোনশিংগী মমিশিং লৌবা ঙমখি।

থিজিন-লূপ অসিদা ঙক্লা থোকখিবদি, সেমিকন্দক্টরদা য়াওরিবা দার্ক এক্সাইটোনশিংগী মশীং অসিনা ব্রাইট এক্সাইটোনশিংগী মশীংদগী হেল্লম্বসিনি। করিগুম্বা ফীভম খরদা, এক্সাইট তৌরবা ইলেক্ট্রোনশিংনা সেমিকন্দক্টরদা ফাওরগা চেল্লকপা অমসুং মোমেন্টম হোংলকপা অদুগা ইরোইননা, এক্সাইটোনশিংনা ব্রাইট নৎত্রগা দার্কতা ওম্থোক-ওনশিন তৌবসু থেংনরম্মী। মতৌ অসুম্না, দার্ক এক্সাইটোনশিংনা মশীং হেনবা অদুগা দার্ক অমসুং ব্রাইট এক্সাইটোনশিংগী মরক্তা ওম্থোক-ওনশিন তৌনবগী মরী অসিনা মরম ওইরগা, দার্ক এক্সাইটোনশিংনা অনৌবা মখলগী সেমিকন্দক্টরশিং অসিদা তোপ-তোপ্পা মগুনশিং চেলহনবনি। 'সাইন্স' জর্নেলদা ফোঙদোকখিবা পাউদম অসিগী মতুংইন্না, নৌনা পুথোরক্লিবা শক্তি লৈরবা টেক্নিক অসিনা দাইমেন্সন অনীগী সেমিকন্দক্টরশিং অমসুং এক্সাইটোনশিংগী মরমদা থিজিনবদা অনৌবা য়াওল অমা পুরক্লগনি হায়রি। মসিনা সোলর সেলশিং অমসুং এল ঈ দিশিংদগী হৌরগা স্মার্ট ফোনশিং অমসুং লেজরশিংগী মগুন য়াম্না হেনগৎহনবগা লোয়ননা অনৌবা লন্বী অমসু শেম্লগনি হায়রি। ●

# প্লাষ্টিক্কী য়ুগ

**ডো. লৈমপোকপম টিকেন্দ্র**

প্লাষ্টিক (চেরং) হায়না খঙনরিবশিং অসি মমল হোঙবা, য়াম্না য়াংবা, কনবা, মতম শাংনা চৎপা, কেমিকেলশিংনসু কয়া চাথৎপা ঙমদবা, মৈশা অমসুং ইলেক্ট্রিক করেন্টশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুন চেনবা পোৎশকনি। প্লাষ্টিকপু সারক্লিব পোলিমরশিংগী খেন্নবা অমসুং মসিনা চেলহল্লিবা প্লাষ্টিক্কী তোঙান-তোঙানবা মগুনশিংনা য়ূম-কৈগী শীজিন্ননবা পোৎশক্তগী হৌরগা অনা-লায়েংফম অমসুং তোঙান-তোঙানবা হীরম খুদিংমক্তা প্লাষ্টিক্কী পোথোকশিং অসি চন্নরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা প্লাষ্টিক্কী পোথোক পুথোরকপগী চাংসু কুমজা ১৯৬০দা ০.৫ মিলিয়ন টন ওইরম্বদগী ঙসি ফাওবদা মিলিয়ন টন ২৬০গী মথক্তা ওইখ্রে। কুমজা ২০১৮গী দাউন টু অর্থকী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়ানা চহীদা চাওরাক্লা মিলিয়ন টন ১৬.৫গী প্লাষ্টিক শীজিন্নে। মসিগী মনুংদা চাদা ৪৩না অমুক্তং শীজিন্নরগা লোইবা প্লাষ্টিক মখলনি। ইন্দিয়াদা পুথোক্লিবা প্লাষ্টিক অসিগী অপূনবদা চাদা ৮০দি হুন্দোকই। হীরম খুদিংমক্তা প্লাষ্টিক্কী পোৎশকশিংনা খুদুম চনশিল্লক্লবনিনা হৌজিক্তি প্লাষ্টিক অসি শ্বর হোনবদা চঙবা ওক্সিজেনগী হেক মথংদা মথৌ তাবা পোৎশক অমনি হায়বফাও য়ারক্কদৌরে।

প্লাষ্টিক্কী পোৎশকশিং অসি শেম্বা-শাবদা শেম্লিংবা মওংদা শেম্বা, মপাঙ্গল কলহন্নবা, মৈশা অমসুং অলত্রাভাইওলেট লাইটতগী ঙাকথোক্লবা অমসুং মচু মখল কয়া ওইহন্নবগীদমক্তা পোৎয়ান কয়া হাপ্পী। খুদম ওইনা polyvinyl chloride তা lead অমসুং tributyl tin হায়না কৌবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং অসি য়াওরি। চয়েৎনবা লৈতবদি নত্তে অদুবু Phthalate plasticizers, BPA (bisphenol A), brominated flame retardants অমসুং এন্টি-মাইক্রোবিয়ল এজেন্টনচিংবশিং অসি পূক্লিং চঙনীংঙাইগী মচাক ওই। Phthalate অমসুং BPA শিং অসি অনা-লায়েংগী খূৎশু-খূৎলায়শিং, চাননবা চিঞ্জাক্কী পেকেজিং, পর্ফিয়ুম, অকে-অমৌগী পোৎশক, অঙাংশিংগী শান্নপোৎ, য়ুমগী ফ্লোরিং তৌবগী পোৎলমশিং অমসুং তোঙান-তোঙানবা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিংদা মতিক চানা য়াওবগী খুদম ফংই। Phthalate শিং অসি প্লাষ্টিক্কী মেত্রিক্সতা কেমিকেল বোন্দিং তৌদুনা লৈতে অমসুং Phthalate চাং ৱাংনা পুথোকপা অমদি পাক-শন্না শীজিন্নবা মরম্না হেন্না মায় ওনশিনবা মথৌ তারি। Phthalate অমসুং BPA অসি প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংদগী চুমথরক্তুনা/নাম্থোরক্তুনা অকোয়বগী ঈশিংদা, উফুলদা অমদি মনিল কাগনবা মরম্না নুংশিৎতসু য়াওই।

ওর্গান বেঙ্কতগী ফংবা অমসুং দোনেট তৌরকপা মীওইবগী হকচাংদা ওটোপসি তৌদুনা য়েংবদা লঙস, লিভর, স্পলীন অমসুং কিদনিনচিংবশিংদা প্লাষ্টিক্কী কন্টামিনেন্টশিং য়াওরম্বা থেংনবগী রিপোর্ট কয়া লৈখ্রে। প্লাষ্টিক শাবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেলশিং অসিনা দাইবেটিস অমসুং ওবেসিটিনচিংবশিংদগী হৌরগা হকতিন্নবগা মরী লৈনবা হকচাং কয়াৎশিংগী মথৌদা শোয়রকপা অমদি অঙাং ওইবা ঙমদবা অসিনচিংবা কয়া পাক্তক্লনা হকচাংদা শোকহল্লমগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা থাজনরি। হকচাংগী মরু ওইবা কয়াৎশিংদা অকূপ্পা প্লাষ্টিক্কী (মাইক্রোসকোপিক) মচাকশিং থেংনবা মরম্না সিমেন্ট বোর্দ অমদি মৈ চংদবা পোৎশক্লচিংবা কয়া শাবদা শীজিন্নরিবা এসবেসটসনা এসবেসটোসিস হায়না খঙনবা লঙস কেন্সর থোকহনবগুম প্লাষ্টিক শাবদা শীজিন্নরিবা কেমিকেলশিংনসু কেন্সর লায়না থোকহল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না থাজনরি। অপিকপা অঙাংদা মবুক পীথক্লবগী শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্লা শাবা শঙ্গোম বোট্টল অসি ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না পীবা কাঙলোন হায়বদি অঙাংদা পীথক্লবা শঙ্গোম শেম্বা মতমদা লৈহনগদবা ঈশিংগী টেম্পরেচর হায়বদি য়ামদ্রবদা 70^0C অসিদা প্লাষ্টিক শঙ্গোম বোট্টলদা হাপ্তুনা নিকপা মতমদা চাংচৎতা মাইক্রোপ্লাষ্টিক মিলিয়ন মরি বেবি ফোরমুলাগী লিটর অমদা য়াওবা থেংনৈ। অমরোমদা জিবশিংগী হকচাংদা শীজিন্নবা লোইরবা প্লাষ্টিক কয়া য়াওরম্বগী থৌদোকসু লৈখ্রে। টামিল নাদু ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল সাইন্স য়ুনিভর্সিটি (টি এ এন য়ু ভি এ এস) দা কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর থাদা ষণবী অমগী চাকখাওদগী পুং মঙা হেন্না চঙনা সর্জরি তৌদুনা শীজিন্নবা লোইরবা প্লাষ্টিক কিলো ৫২ লৌথোকখি। মলেসিয়া অমসুং ফ্রান্সকী সাইন্টিষ্টশিংনসু ঙাগী হকচাংদা প্লাষ্টিক য়াওবা থেংনখি।

প্লাষ্টিক্কী য়ুগ অসি অতেনবা মতমদা লোইরগনি হায়বগী থাজবা লৈতে, হেন্নদুম মথৌ তাবা হেনগৎলক্লি। হৌজিক্কী মতমদা ইমুং অমগী শীজিন্নরিবা পোৎ চৈশিং অসি চাদা ৫০দি প্লাষ্টিক্লা শাবা পোৎশক ওই হায়বা য়াই। হকশেলগা মরী লৈনবা হীরম হায়বদি টিস্যু অমসুং ওর্গান ত্রান্সপ্লান্ট তৌবদা প্লাষ্টিক্কী মথৌ হেন্না তারকপা য়ারি। খুদম অমনা - University of Sheffield গী সাইন্টিষ্টশিংনা শোকপা-পনবগী ইমর্জেন্সি মতমদা শীজিন্ননবা প্লাষ্টিক্কী ঈ পুথোকখ্রিবা অসিনি।

ঐখোয় মীওইবসি ইশা-ইশাগী কান্নবা হান্না য়েংলগা অমাঙবদনা পুম্নমক্ক শরুক য়ামিন্নবগী চৎনবী অমা লৈবগুম তৌই। পাউচে অমসুং অতোপ্পা ঈ-পাউশিংগী খূথাংদা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী অমাঙবা কয়া মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনরবসু লাইরিক হৈবশিংদগী হৌরগা লাইরিক তমদবশিং, ইনাক খুনবদগী হৌরগা লায়রবশিং, অচৌ-অশাংদগী হৌরগা ইচম-চম্বা মীওইশিং ফাওবনা থৌৱা ইশা শানদবগুম্না তৌই। শীজিন্নবা লোইরবা য়াল্লবা প্লাষ্টিক মখল কয়ানা ঐখোয়গী অকোয়বদা পৈশিন্দুনা লৈবা ঐখোয়না থেংনরি। লম্বীগী নাকলদা, তুরেলদা, লৌবুক্তা, পাৎতা অমদি সমুদ্রদা লৈরিবা প্লাষ্টিককশিং অসিনা অকোয়বগী ফীভম শোকহনবদা নত্তনা জিব পানবা কয়াশিংদসু অমাঙবা কয়া থোকহল্লি। কান্নবা কয়া পীদুনসু থৌদাং লৈতনা শীজিন্নবগী হৈনবী অমসুং হৌজিক শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী চাং অসিদি অদুক্কী মতিক মীপাইনীংঙাই ওই। সমস্যা অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে লৈতবদি নত্তে অদুবু মীয়াম অমসুং লৈঙাক অনীগী অপূনবা থৌদাংদি চাউনা লৈ। ●

# মরাথন লমজেলগী অশাংবা - মাইল ২৬ গজ ৩৮৫

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

কুমজা ১৯০৮দা লন্দন সহরদা মরিশুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখি। সহর অদুগী শেফর্দস বুশ কৌবা মফম অমদা ষ্টেদিয়ম অমা শাদুনা ভাবক লিশীং লিশীংনা শান্নবগী কুম্মৈ য়েংলম্মী। গেমস অদু হৌদোকপগী হৌনবী পুম্নমক লোইরবা মতুংদা অথোই অহেন তান্নবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। অহানবা নুমিত্তা অথোই অহেন তান্নবগী হীরমশিংদি এথলেটিক্সকী থৌরম তা লংবা, দিস্কস লংবা, চেঞ্জোং, হায়জম্প অমদি লমজেলনচিংবনি। মিটর ১০০গী লমজেলদা লৈবাক অদুগী জেমস রেকটরনা মকোক ওইদুনা অমেরিকা মচাশিংবু মায়থীবা পীরম্মী। কুমজা ১৮৯৬তা ওলিম্পিক গেমস হেক হৌদোকপগী মিটর ১০০গী লমজেলদা অমেরিকা মচা খক্তনা মকোক ওইদুনা লাকখিবনি। অদুবু লন্দনগী গেমস অসিদদি খা অফ্রিকাগী রেজিনাল্ড ৱাকরনা লমশাং অদুবু সেকেন্দ ১০.৮দা চেন্দুনা মকোক ওইখি। মসি ৱর্ল্দ রেকোর্দকা চপ মান্নবা টাইমিংনি, মতমনি।

ওলিম্পিক অসিগী মরাথন লমজেলদা লমজেল্লোয় ৫৬না শরুক য়াখি। এথলিটশিং অদুনা হেক লমথাবগা মখোয় মশেল মহৈ-মহৈ কন্না চেনখৎনরম্মী। অদুবু নুংশা য়াম্না শাবা নুমিৎ ওইবনা মখোয় য়াম্না থুনা চোকথগনি হায়বা থোইদোক্লা খল্লুদে। বৃটেনগী লমজেল্লোয়শিং অদুদি লম্বীগী মতাইদা পরেং শানা লেপ্তুনা মখোয়বু মপূক্লিং য়ৌগৎলিবা ভাবকশিং অদুগী মমাঙদা মপাঙ্গল মথৌনা উৎপা পাম্লম্মী। মরম অদুনা হেক লমথাবগা ইংলিস মচাশিংনা য়াঙনা চেন্দুনা ফ্রেদ লোর্দ কৌবা এথলিট অমদি মাইল ১০ ফাওবা মমাঙ থাদুনা চেল্লম্বদগী চোকথরক্তুনা খা অফ্রিকাগী Charles Hefferson না লমশাং অদুগী তঙ্খায় চল্লকপদা মহাকপু হেঙ্গৎখি।

ফ্রেদ লোর্দপু অমুক হেঙ্গৎতুনা চার্লস হেফরসনসু ইটালিগী পিত্রি দোরান্দো কৌবা অমনা নক্লা ইন্নরম্মী। লমথুংফম য়ৌগদবা মাইল মখায় অমত্তং ঙাইরবা মফমদা দোরান্দোনা হেফরসনবু হেঙ্গৎতুনা ষ্টেদিয়মদা চেনশিল্লক্লম্মী। ষ্টেদিয়মদা চেনশিল্লকপদা ভাবকশিংনা খূবাক খুদুনা মহাকপু ওল্লম্মী। অদুম ওইনমক ৱামনখিবনা ত্রেক্কী ওইরোমদা চেনশিনগদবদা য়েৎলোমদা চেনশিল্লুদুনা ওফিসলশিংনা অচুম্বা মায়কৈ তাক্তুনা চেলহনখি। অদুবু খোঙথাং খরা থাংলগা ৱামন্দুনা তুখি। মহাক্লা য়াম্না ৱানা হৌগৎতুনা অমুক চেনবা হৌরক্লম্মী, অদুবু মহাক কুইনা চেনবা ঙমখিদে। লমথুংফম য়ৌগদবা খজিক্তং ঙাইরবা লমশাং মতেক অদু চেনবদা মথং মথং অহুম্লক তুখি। মরক অসিদা চার্লস হেফরসনবু অমেরিকাগী জোন হেয়সনা হেঙ্গৎতুনা ষ্টেদিয়ম য়ৌরকখি।

ওফিসলশিংনা মতম অদুদা দোরান্দোবু কূপ্পা শেন্নরম্মী। মহাক্লা অরোইবী থাদুনা লমথুংফম য়ৌনবা হোৎনবদা লমথুংফম ময়াদা মঙারকশুবা ওইনা ৱান্থদুনা তুখিবদা অশিন অরাংশিংগী থৌবুরেল ওইরিবা জেক অন্দ্রুনা কোনখৎতুনা লমথুংফম য়ৌখি। মহাক পুং ২ মখায়রোম চঙনা লায়কন্নখি। ওফিসলশিংনা মতেং পাংবদগী দোরান্দো লমথুংফম য়ৌশিনখিবনি হায়না অমেরিকানশিংনা ৱাকৎলকপদগী মহাকপু লমজেল অদুদগী লৌথোকখি, দিসক্কালিফাই ওইদুনা মেদল অমত্তা পীখিদে। মহাক্কী মথংদা থুংলবা জোন হেয়জ অমসুং হেফরসনদা মথংশিংনা অহানবা অমসুং অনীশুবা মনা পীখি। থৌদোক অসি রোয়েল বোক্সতা ফম্লিবী মহারানিগী মমাঙদা থোকখি। মহাক্লা দোরান্দোগী মথৌনা অমসুং মরিংজেল ফবগীদমক্তা সনাগী কপ অমা খুদোল তৌরম্মী। কপ অদুদা অসুম্না ইরি : TO DORANDO IN REMEMBRANCE OF THE MARATHON RACE FROM WINDSOR CASTLE TO THE STADIUM, JULY, 24 FROM QUEEN ALEXANDRA, মকোক ওইখিবা জোন হেজ মহাক্লা থবক তৌরিবা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোরগী মপুনা মেনেজর হাপখি। হেজ অমসুং দোরান্দো অনীমক ইকুই কুইদনা প্রোফেসনেল ওইদুনা শেল য়াম্না তানখি। মখোয় অনীমক মালেমদা পাঙথোক্লিবা মরাথন লমজেলশিংদা শরুক য়ামিন্নদুনা লম্বা তৌনরম্মী।

তশেংবদি কুমজা ১৯০৮গী জুলাই ২৪দা পাঙথোকখিবা লমজেল অদু য়াম্না শাবা নুমিৎনি। ইংলিসকী চৎনবীদা ফরনহাইট দিগ্রী ৭৮/সেন্টিগ্রেদ ২৫.৬কী চাংদা শাবা নুংশাগী মৈশাদা লমজেল অদু চেনবা মরম্না লমজেল্লোয়শিং অদু য়াম্না ৱারম্মী। মরাথন লমজেল অসি চেনগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মিটর ৪০০গী লমজেলগী ফাইনেলদা ইংলিস অমসুং অমেরিকা মচাশিং মরৈ য়েৎনদুনা নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থোকখি। মরম অদুনা মীয়াম্না মথং নুমিৎতা ৱিনসর কাসলদগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়ম ফাওবদা পাঙথোক্কদৌরিবা মরাথন লমজেল অসিদা ৱাথোক লাম্থোক থোক্কনি হায়না খন্নরম্মী। ৱিনসর কাসলদগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়ম ফাওবগী অরাপ্পা অসি মাইল ২৬কা গজ ৩৮৫নি (মসি কিলোমিটর ৪২গা মিটর ১৯৫গা চপ মান্নে)। লমজেল অদুগী অরোইবা শরুক অদু ষ্টেদিয়মগী ত্রেক মনুংদা চেলহনবা পাম্লম্মী। মরমদি ষ্টেদিয়ম মনুংদা লৈরিবা অচৌ অশাংগী ফম্ফম রোয়েল বোক্সতা মহারানি অলেকজেন্দ্রা ফমদুনা লমজেল অদু থুংলবা ঙাইদুনা লৈরম্মী। নুমিৎ অদুদগী হৌনা মরাথন লমজেলগী অশাংবা অসি মাইল ২৬কা গজ ৩৮৫ ওইখি। লমজেল অসিগী লমথুংফম য়ৌরমদাইগী গজ ৩৮৫ অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা লমজেল অসিগী পুৱারীদা মতম কুইনগী ওইরগদবা থৌদোক অমা লন্দনগী ওলিম্পিক অসিদা থোকখি। ●